ৱারী মচা

অথুইলুগী মঙলান

রাজেন খুমুকচম

লৈশাবী মপুং ফারে। পুন্সিল্লগদি লুখম থনবা মশমদু থাদোক্লগদি লেক লেক লাউনা লেংপাক লান্দুনা নীংদু য়ৈ। হাইথরকপা পাম্বোম, শাওং শাবান্দা অউবশিংনা কল্লক্তবা য়াওদে। অসিগুম্লবা প্রকৃতিনা পীথোরকপা শাবান্দুদা মোৎতায়নরবা ফিজোল শেৎচরগসু মকোক্তা সম অমা য়াল্লগা লাকপদুদি ঙাওরোইদবা কনা লৈরি?

অসুম্না নুংতিগী পামদা হেক হেক লাকপী অথুইলুবু য়েংহৌনবা লনচিপুনা চুশাং অমা পায়রগা, চার চারাদুনা ঙাইহরি। হেক উবদা কৌদুনা লক্লবা হৌরকই।

অসিগুম্বা কুমগী নোংসি করম্বা মফম অমদি মতমদা অমুক্তং তারক্কদগে খন্দুনা ঙাইরক্লিবী অথুইলুনা তাঞ্জাদু নাম্থোকখিদৌরে মতাগুম খুম্লকই, “ইবুং, নঙনা ঐবু হেক হেক লক্লরিবসি করিগীনো?”

“নঙগী মশক য়াম্না ফবনি। মীগী ওইখিগদবা পাম্মুবনি। অদুনা...।”

“ঙম্মোই, ঐদি নঙগী নুপী ওইনিংদে। নঙসে অপঙ য়াম্না মাল্লি।”

“অদুম্না হায়গনুদে অথুইলু। ঐদি নঙবু য়াম্না নুংশিবনে। নঙবু ঐগী ওইবা ফংদ্রবনি ঐদি ঙাওদুনা লোকখাদা চোংথদুনা শিনিংগনিয়ে।”

“ অদো, ইবুং, নঙবু ঐগী মপুকসে থাকপা ঙম্লগদ্রনে?”

“ করিগী ঙমদনি? নঙবু ওকপী অমদগী হেন্না চাবরনে?”

“ওই, ঐবু ওকপীগা লম্বা তৌগদো।”

“সে য়েংউ ঐগী পাম্বোম, খুবোম” হায়রগা লনচিপু মাগী পাম্বোম অমদি খুবোমদু উৎলি। অদুগা অমুক মখা তারকই, “ঐনা পুবা পান, মাইরেন, হৈজাং, থবীগী লেংকোৎ পোলাংদু খুনগী পাখঙ অমতনা থাংগৎপা ঙমদবনে।”

অথুইলু নোক্লগা হায়রকই, “ওই ইবুং, অদুননে ঐনা নঙবু অপঙ মাল্লি হায়রিবনে। অপঙবা মীদি পোৎলুম য়াম্না পুই হায়নবনে।”

অথুইলু মমীৎকা মখজাইগনা নোক্লম্লগা চৎখ্রে। লনচিপুনা তান্নরগা হায়রকই, “অথুইলু নঙগী পামদো ঙসিদি ঐ লোয়না য়ানবিগে। নঙ অদুম ফমদুনা লৈয়ো। অদো, ঐনা ৱারক্লকান্দা নঙবু পেন্না য়েংজগে, য়াবরা?” অথুইলুনা ইশি শিথনা নোক্লগা–

“ইবুং নঙ শাউগনুও। নঙসু নঙগী থবক শুরুচো। ঐনা নখোয়দা লাক্লগা চানবা য়াম্না পৈশিল্লম্মু। ঐখোয়নি মথন্তা পুনবসে খুনকী মী মপুক ফত্তবশিংনা উখ্রগা ৱা য়াম্লক্কনিয়ে।”

অথুইলুনা ফনা হায়জরবসু লনচিপুনা ঙমদুনা অদুম মতুং ইন্নরকই। পাম য়ৌরবদা অথুইলুনা শুগদবা থবক্তু লনচিপুনা মখ্বাংদগী পামথাঙদু শত্তুনা শুবা হৌখ্রে। অতৎ অখম লৈতনা তারকপা হুমাংনা ইরুজবগুম্লক্লবা লনচিপুগী মতৌদু উবদা অথুইলু মপুক্লিংদু মওন মওন খনগনু য়াখিদ্রে। ইকাই নুংশি য়ান্নরা হারকই,

“ইবুং, য়াম ৱারনিয়ে। লেপখোও, চয়োম চাখিসে।” মখোয়নি লৌশঙদা চঙদুনা চয়োম থোক্তুনা চামিন্নরি। চয়োম চানা চানা লনচিপুনা অথুইলুগী ফি থুংদ্রবা হকচাংগী শরুক খরদু হুরান হুরান্দুনা পেন্না য়েংলি। মদু অথুইলুনা য়েংলকপদা মীৎচানরুই। অথুইলু মিপাইনা ফিজিনা খুমজিনজে। লনচিপু হায়র প ইকাইখিগুম তৌই।

নুমিৎ চুপ্পা অথুইলুগী পামদা পাঙ্গল শক্তি পুম্বা ফুদোক্তুনা শুরুবদুনা মশা চোকথবদি লায়রদুনা মদুবু হেক নিংশিংলুবদা লনচিপু মোন্দা নুংঙাইরকপদা নত্তনা হেন্না হেন্না মপাঙ্গল কনখৎলকপগুম তৌরকই। নুমিদাংৱাইরম লৈকায় কোয়বা তোক্তুনা ঙন্তানা ফমুং চংলগা মোন্দ্রং শান্নবা হৌরকই। অথুইলুনা পুরকপা চয়োম মখোয়নি পুন্না চামিন্নখিবা চয়োমদুগী মহাওদু নিংশিংলুরগা মহাক্না চাখিবা চয়োম খুদিংমক্তগী হেনখি হায়না মথম্মোয়না হায়রকই। লৈশা পাখঙ অনিদু নোংমা নোংমগী নকশিন্নরক্তুনা লৌনা লৈনরে। নুংশিবীনা ইনাক্তা লেঙদনা লৈরগবু নিপা ওইবা কনানা করি পেন্দবা অমুক লৈরমখিনি? অসুম্না পামদগী লোক্লকপা মহৈ–মরোং অমদি অতৈ পোখোকশিংদু লনচিপু মশানা তমেংলোং বাজারদা চত্তুনা হেক হেক য়োল্লুই অদুগা মদুদগী ফংলকপা শেলনা য়ুমগী অৱাৎ অপা পুম্বা মানা লৈরকই।

কুমওন কয়া হৌখ্রে। মখোয়নি মচানুপী অনিগা মচানুপা অমগগী মমা মপা হায়বদু ওইরক্লে। চাংগী লম ওইবগী মথক্তা অমুকসু মনুং হঞ্জিনবা মফম ওইবদুনা মখোয়গী মচাশিংদু লাইরিক লাইশু তমহনবগী ৱাখল থোইনা লৈতে। খরা চাওরকপগা মাগী মাগী মপাঙ্গলদুনা ঙম্বা মতেং পাংশিন্নদুনা শু–নোম্বগী ৱাখলদা লোইনা লৈনে। অদুনা লমদমসিগী পুন্সি মহিংসি–নোংমগী পাঙ্গলনা অঙম্বা শুরগা চারগা নুমিৎ তাবা নোংঙানবা ঙাইবনা মরু ওইবা থবক্লি।

মীথোই মীহেনবমক নত্রবসু ঈংনা চীক্লা পাঞ্জরিবা ইমুংগী থৌবুরেল লনচিপু মশা ঙম্লক্ত্রে। অকনবা অরুম লাইহৌনা নারে। খুনগী মাইবনা মন্ত্র কয়া শোল্লে, লাই কয়া খুরুম্লে, মনা মশিং কয়াদগী শেম্বা মখল মখা কয়াগী হিদাক চারে। অদুবু ফবা কৌবা লৈত্রি। ফখিদ্রা ফখিদ্রা হায়ববু হৌজিক্তি থা অমরোম ফারক্লে। অদুনা য়ুমগী চান থক্লবনচিংবা হিরম কয়াদা অৱাৎপতনা পীক থল্লক্লে। ইমুংগী লৈত লায়রবা খরা খরা উরক্লবা মচানুপী অহলদুনা হায়রকই, “ইমা, খুনগী ইমান্নবীশিংগুম ইনাউগা ঐখোয়নিসু মখোয় ময়াংগী থবক শুবদো য়াওরুগে।”

অথুইলু পাউখুম পাক্লা পীদে। মওন মওন খল্লি।। ইমুংগী লৈতবশিংদু উরদুনা ইনখৎলক্লিবী মচানুপী অনিদুনা হায়রক্লিবদুদা মপুক্লিং নুংশিবা ফাওরকই।

অদুবু ফনা খন্দুনসু চৎকনু হায়বা ৱাহৈসিমদি মাগী মচীন্দগী থোকউ হায়বা শুকয়া য়াখিদ্রে।

মমানা তুমিন লৈরিবদু য়ারবনি হায়দুনা লৈশাবী মচা অনিদু মমান্নবীশিংগী মরক্তা বি আর টি এফকী লম্বী শেম্বগী থবক য়াওবা চৎখ্রে। অথুইলুদি মচা অতোম্বদুগা অনাবা মপুরোইবদু ফমশেন্নবদুনা য়ুম থাদোকপা ঙমদ্রে।

অথুইলুনা মপুরোইববু চাক চানবা পুশিল্লকই। লনচিপুনা হায়রকই, “চীনসে ইখা খাই করিমত্তা চানীংবা পোক্তে। লাম্বসু ফাওদে।”

“ কয়ানিদি শুরে নঙনা উতুপ তাবগুম লৈদুনা করিমত্তা চারক্ত্রিবসে? খুনগী খ্বাইদগী পাঙ্গল্লবা ওইরম্বা নঙনা শোন্থদুনা নশা নথন্তা লেপ্লগা চৎচবা ফাওবা ঙমশিল্লক্ত্রি।”

লনচিপু পাউখুম অমতা পীদনা ঙাইহাক তুমিন লৈরুরগা নাথেননা হংলকই–

“ঐনা ঙমদদুনা লৈরবনিনা হাপ্তা কৈথেলদি নঙনা কারুবা নত্রা?”

“কারুদে।”

“অদুদি করি করিদি লৈরি?”

“লোয়নমক লৈরি।” অদুবু ৱাহৈসিমক্তি অথুইলুগী মচীন্দগী থোক্লকউ হায়বা হন্দকমুকসু য়াখিদ্রে। মরমদি ইমুংদুদা চান থক্লবা করিমত্তা লৈশিল্লক্ত্রে। য়ুমথংনবদগী পুশিল্লগা চারিবনি। অথুইলু মমায়দু লৈথোক্লগা কারক্লিবা হুমাং মরিকশিংদু ফিজিনা লোন্না তৈথোকচৈ।

“ ঙসাইদগী ইচানুপী অনিদুদি উদেনা। নঙনা মখোয়বু পাউখোন থাখিবরা?”

অথুইলু হন্দকসু খুম্বা উমদে। মশাদু ফুনগৎলকই। করম্নসু খুমগনি? য়াম্না খঙগনবা লনচিপুনি। অথুইলুনা খুম্বা ঙমদ্রিবদুগী পাউখুম মহাক মওল–মওল খল্লি। মচানুপী অনিদু মখোয়গী পামদা থবক শুবা চৎহল্লমগনি নত্রগনা খঙন চান্নবশিংদগী লৈত লায়রা হংহনবা চৎহল্লম্বসু ওইর্‌বা য়াই।

পুম্মমকসি খল্লুবদা মশাদু হুমাং পাখৎলক্লমাল্লে লনচিপু ফুক হৌগৎলকই। অদুবু খঙহৌদনা লেকথদুনা তুথরকখি। অথুইলু খংপ্রেক খংই। ৱাচেৎকী কাংথোলদুদা থাংগত্তুনা নিংথিনা হিপহল্লগা লৱাইদা ঈশিং থাদুনা হোৎনজৈ।

ঙাইহাক লায়কন্নরক্লবদা ঞ্জান তারক্লে। নিংশিংলকই অদুঙৈগী পাঙ্গলদো ! ৱাখল তৌরদুনা য়াম্না তপ্না হংলকখিবনি।

“ওক মচাশিংদু কয়াম চাওরে?”

“চাওদ্রি, মখোমদি খাইরে।”

“ঐনা সুমাইনা লৈরবদি কমদৌনি..? অমতং ফারগা তমেংলোং হপ্তা কৈথেলদা য়োল্লুরো। অশিৎপা শেল খরদুদগী ঐগী হিদাক খরা হিদাক য়োনফমদগী মখোয়গা তানরগা লৈরকউ। অদুগা অরেম্বদুনা ইমুংগী অৱাৎ অপা খরসু য়েংলকউ।

মথংগী অয়ুক অঙনবনি। অথুইলু ওক্লোন্দগী ওক মচা অমা ফারে। মঙক্তা থৌরী থুরগা সম মনুংদা হাপচিল্লগা তমেংলোং কৈথেল তম্না লাক্লে। কৈথেল নুমিৎনিনা মীনা চীক্লা চায়না ঙম্লমদ্রে। মাগী ওক্লাউদু মীরক্তুদগী খরা চখোক্লগা মতাইৱাই অমদা থাদুনা য়োল্লি।

অদুক য়াম্বা মীয়ামদু মাগী মাগী পুনরকপা পোৎশিং য়োনবা লোইনরগা মানা মানা লৈগদবা পোৎশিং অদুম লৈরগা মথং মথং চৎনখিদুনা কৈথেলদু মী ইতাক তাক্লক্লে। মতম অসি ফাওবা অথুইলুগী ওক মচাদু কনানসু য়োল্লিবরা হায়নফাওবা হংলক্ত্রি। নুংথিলগী পুং অনি তাশিল্লক্লবদুদা উপায় লৈরক্ত্রদুনা মপুক্লিং নুংশিনা ওক মচাদু সমদুদা অমুক হাপচিল্লগা শা ককফমশিংদা কোয়না চত্তুনা হারে। অদুবু ওক্তুদি পীক্লিবনিনা চানবগীদমক ককপা য়াখিরোই, লোইগে হায়বা মীওইশিংদা য়োল্লু হায়দুনা মথং মথং থাদোরক্লে। ময়ুমদগী পুরকখিবা লুম্বু লুম্বু শাবা আশাদুনা পি ওল্লগা লেপ্তুনা চেন্থরক্লগা হুমাংগা তোৎশিন্নখ্রি।

থবক শুবা চৎপা মচানুপী অনিদুসু ঙসিদি থবক চৎহল্লমদবনি। মমানা কৈথেল কাখ্রবদি চানবা চেঙসু ৱাল্লক্লনি হায়না মায়থোঙ মকা লামহৌবনি। লৈকায়দগী পুশিল্লুবদুসু ঙসিদি খরদংদা ওইরবসু শিংদোক্লগে হায়না খনখিবনি।

অথুইলু কৈথেল কুম্লক্লে।

সমদু হেক থাবা উবগা মপুরোইবা লনচিপুনা হংলকই।

“কদাই ঐগী হিদাক্তিঃ?। করম্বা চাগদবনো? হিদাক চারবদি ঐসু ফরনিদা।” অথুইলু ৱ অমতা ঙাংদে। সম মনুংদগী ওক মচাদু লৌথোক্লগা ওক্কোল্লোমদা চুমদ্রিং চঙখ্রিবদু লনচিপু ৱা অমত্তা ঙাঙদনা য়েংলি।●

শৈরেং

মৈতৈ সমাজ

থাংজম অশালাতা দেবী

মোৎলবা সমাজ ওইরনি
লমচৎনা লৈনাং তারনি
পৈশানা থম্মোয় য়োল্লনি
মৈতৈগী মমল হোংলনি,
চহী য়াখ্রৈ মণিপুর
ঐদি উরে মিৎসিনা
মাগী মশক মাঙলবা
নঙবু মৈতৈ কৌখিদ্রা
অরোইবা মিৎয়েং অমনা
মুলমদায় মতম য়ৌবদা
অৱাবা লিশিং লোয়ননা
থেৎলমগে বিদায় শমজিদা।

য়াওশং

করাম থনেশ্বরি

চহী অমগী মতুংদা,
অমুক্তং লাকপা,
য়াওশং।
লমতা থানা লাকপদা
পাখঙ লৈশা
কয়ানা হরাওরিবা
থাবল ফরবা
নুমিদাংদা পাখঙ লৈশা
কয়ানা খুৎকা খুৎকা শম্নদুনা
নুংশি ৱারী শান–শাননা
কয়াদা নুংঙাইনা চোংলিবা
চহী অমগী মনুংদা
অমুক্তং লাকপা য়াওশং।

মোমোন্নবা গান্ধী

ঐচ ইন্দিরা দেবী

নহাক্কী নগুণ অঙকপনি অঙকপা!
য়াওদ্রবসু নহাক্লা উবীদে ঐবু মী ওইনা
য়াওরবদি নহাক্লা ৱাৎহনবীদে খোংলোয় ঐগী
মোমোন্নবা গান্ধী নঙনা।
থাং–তেন য়ান্নখ্রবসু নুংশিনহল্লি নঙনা,
চেৎনা পুলম্বা নুংশি লিপুন কয়াসু
খাইনহল্লি মচেৎ–মচেৎ থোক্লা উনবা য়াদনা
চৎত্রবা ময়েকসু, চৎহল্লি ময়েক নঙনা
পীক্লবসু য়েংবদা চাওখৎহল্লি মীবু
খঙনরবসু চাওনা অমুক পীকথহল্লি নঙনা
নোকপীনবা নঙনা খুরবা ঐগী খাওদা
লেঙদনা নঙনা ঐগী নাক্তা মতম চুপ্পা
থম্বীনবা নঙনা ঐবু সনাগী তাংবলদা
থিজরি নহাকপু অহিং–নুংথিল নাইদনা
মোমোন্নবা গান্ধী নঙবু, মোমোন্নবা গান্ধী।

য়ু এন সি কিদবরা নখোয়বু

সি ঐচ বিরেন মৈতৈ

চরোৎ হাবুংনা লাই ওল্লে
লাই কনানো থিজিনবা কিজরে
মায়োক্লজরোই খল্লি সেন্তরসু ষ্টেটসু
তাখৎ তাখৎলগা কিরক্তে, য়ু এন সিনা
থৌনা ফবা মখোয় অসিবু?
হিষ্ট্রিনা শাক্কিনি, ওইদবনা অচুম্বনি
হায়জিনহৌবনা নিংথৌনি, লমদমসিগী চৎনবীনি
ঐখোয়গী মঙলান্দা নিংথৌ পাল্লম্‌ই
নিংথৌ কনানো ঐখোয়সু খঙহৌদে
ইরম্বনি ঐখোয়গী হিষ্ট্রি লমায়শিংদা
করম্বা ময়েকশিংনো নখোয়দা তাক্লোই।

মীপাল তাংবা লুচিংবা

থৌনাওজম খম্বা মৈতৈ

মৈরানবী ওইরবা
মশাগী হৈজরুবা মহৈদ
শাংনা উঙমদ্রবা তুঙ্গী লম্বী।
মৈরা কৎলক্কদ্র মাগীদমক
তুঙ্গী মীরোলনা
থাদোকখি কান্নবা য়াইফবা পুম্বা
ওইরুবসু নিংথৌগী মমাক ইবুঙো।
বেবহার তৌনরি–
মীপাল তাংলবা খাউবু নাইনা
ঙারগা হিংলিবা, নিরগা চারিবা
মীপালদা মকে থোইজরিবা
লুচিংবা।
ঈজৎ পকতনা উপ্রাং হিপ্পা
লাম্মী খোংউপ মখাদা।
মন্ত্রিগী সলামদা
শিবা ঙায়রিবা
তাঙজ লিনগুম।

নুংশি চৈনা

নিংথেমপিশক ৱাইরোকপা

নুংশি লানফমদা মায়থীদুনা
কায়না পামেনখাদা ফমদুনা
হকচীক লাংলিবনি ঐ।
মায়বনা খুৎ থারবা অনাবদা
খোয়দৌৱা কাংলোন শান্নবগুম
য়েন্নীংথাগী মপাও পুরক্লিবরা মালংবা?
নঙগা শকখঙনরুবদগীনি
থম্মোয়নুংদা মৈগী চীং পুদুনা
থাবলগী মঙালদা মৈশা লাংলিবা।
অপাইবা লৈচিলনা
খঙহৌদা নোং ওনখিবগুম
অমুকসু পাখৎচৈ, নোংঙাল্লকপসিদা
নত্তে, ঐদি পৃথিবীরাজ
জয়চান্দগী রাজ সভাদগী
লৌরুবা ঙম্বা “সংযুক্তা”
সুপ্নতগী নুংশি লানফমদা
ওইরুবনি খুৎলাই পায়দ্রবা লাম্মী।
অদুবু
পথরবা ঐগী থম্মোয়সে
নঙগী শম্লাংগী চেঙহি মনম্না
তেকখৎহনখিবা নৎত্রা?
মসিবু ঈজ্জৎকী ফিজীদা
লৈখোম তৈশিনবনি হায়দৌরিবরা?

অসিরা নুংশিবগী ময়ায়

থৌদাম সুরজাকান্তা

অদুঙৈ মতম অমদা,
ইখঙ খঙহৌদনা থেংনখি,
শকখঙদবী লম্লানবী কনা অমবু...!!!
শকখঙদবী মহাকপু অহানবা
উরুবা মীৎকুপ্তগী ফাওরকখি,
চম্লবা ঐগী থম্মোয়দা নুংশিবা...!!!
মহাকপু উরুবা মীৎকুপ্তগী
মাগী নুংশি শক্তমতবু,
চৎলে চৎনা মাতাগী শক্তমতবু উজখি,
তুম্লে মঙলান কয়াদা লাকখি।
ঐগী থম্মোয়দা ফাওরিবা নুংশিবা
অসি মতাং মতম চাবা অমদা
মহাক্কী মফমদা ফোঙদোক্লগে খনখি,
ফোঙদোক্লগে খন্না মহাক্কী লৈকায়দা
কয়ারক চৎখি, কয়ারক থেংনখি মহাক্লা।
অদুবু ইচিন অসিনা মাগী মফমদা
ঐগী নুংশিবা অসি ফোঙদোক্লগে তৌবদা
‘ঙানা ৱা ঙাংগে তৌবদা ঈশিংনা পল্লি’
হায়বদু ঐঙোন্দসু থোকখি।
ফোঙদাকপা ঙমজখিদে।
মরক অসিদা ইখঙ খঙহৌদনা লাকখি,
লমতা থাগী য়াওশঙ কুম্ভে।
কুম্ভে অসিগী মনুংদা
ফোঙদোক্লগে অমুকসু খনখি।
কুম্ভে অসিগী থাবল মনুং মহাক্লা
খুৎকা খুৎকা শম্নদুনা থাবল চোংমিন্নখি।
ফোঙদোক্লগে খন্না চৎলুবা ৱাখল পুম্বা,
ঐগী নুংশিবা অসিসু ফোঙদোকপা
ঙমদবা অসুম লৈরগদ্রা!!!!
মসিবু নুংশিবগী ময়ায় লা?

নিজবা

এন রোমেস সিংহ

হে! পিনহৈবা ইবুংঙো
পিনবীয়ু নহাক্লা তাইবঙ লৌশিং,
পিক্লিবা নৱা ঐখোয়দা লৌশিংগী থাওমৈ থান্নবা
পিন–হৈবা নহাক্লা।।
তাকপীয়ুনে ঐখোয়দা,
লৌশিং কয়া মহাক্লা তাল্লগা মীকোক থোংবা ঙমগনি
চাওরবা তাইবঙ মালেম অসিদা
তাকপি হৈবা নহাক্লা।।
লমজিংবিয়ু নহাক্লা অৱাবগী লম্বীদা,
করি–করম্বা খোংথাংদা লাম্থোক্কনি লম্বীদো
নুংঙাইবা লম্বী অদুতবু য়ৌনবা
লমজিং হৈবা নহাক্লা।
শেম্বীবনি নহাক্লা তাইবঙ–মালেম পুম্নমক,
হিরম–থৌরম কয়াদা থৌদাবীয়ু নহাক্লা
নয়াথংনি খন্দুনা থৌইনজগে নচা ঐখোয়না
অৱাবা কয়া মায়োক্লরবসু তাইবঙ শিম্থানি খন্দুনা
পেম্থোকচগে শেম্বী হৈবা ইবুংঙো।।

ৱাহং অমতং

ৱাজা সলামচা

নৱানি করিসু খঙজদ্রিবা
ৱাহং অমত্তং হংজগে অথৌবশা
অচুম্বা লম্বী অমতং ফংনবা।

হি অনী তোংবা ৱারেদা
কয়াম কুইনা তোংহনবিগদৌরিবনো
হি অনী?
কনাগী য়াৱাবু লৌশিংগে
সরকারগী য়াকাবু লৌসিরা?

ইচিল ইনাওশিংগী য়াৱাবু লৌসিরা?
নিংশিংলকই ইপা–ইপুগী ৱাহৈ
হা উরোক,
নমাঙসু লাঙ–নতুংসু তেন।

তাবুনুংদগী

(কবি লাইশ্রম সমরেন্দ্রগী ১৯৯৯ দা ফোঙবা “ৱাকচিংগী কবিতা” কৌবা শৈরেংগী লাইরিক তা য়াওবা “ঐদি করি ফংগনি” হায়বা শৈরেং অসি ঙসিগী ওইনা তাবুনুংদগী লৌখৎচরি)

ঐদি করি ফংগনি

ঐদি করি ফংগনি!
জাতিগী শাসন পুরিবা
হিনাও শারিবা অথৌবা
ফংসনু মনা মহাক্তনা,
মালংবনা য়ৈদুনা
হিরুবাক্তা ফমদুনা
নুংশি ঈশৈ শক্লিবা
ঐদি করি ফংগনি!

লাইশ্রম সমরেন্দ্র

মণিপুরী পাম্থৈ –পাউরৌ, পাউতাক

২৫৯ অনৌবা মচু তাদে, অরিবা মচু তাই।
–নৌনা শিন্দম্বনা হৈবা ৱাৎপা।

২৬০ অপঙবনা পাউতাক পীবা চৈতুপ চাবনি।
–কান্নবগী মহুত্তা অৱাবা নংবা।

২৬১। অপঙবনা লান্দা থৌই।
–লৌশিং লৈতবদগী করিনো খঙদনা খুদোংথিবা য়াবা থবক্তা ইচং থৌবা।

২৬২। অপঙবা মরুপ্তি য়েক্লবনি।
– অপঙবগা তিন্নবদগী মাঙজবা ওইবা।

২৬৩ । অপঙবগা মরুপ ওইদৌ শরুক অশিংবগা য়েক্লবা ওইবনা হেন্না ফৈ।
–অপঙবগা তিন্নবা খুদোংচাদবা থোক্কল্লি, ওইজবা মাঙই। (পুন্না মাংমিন্নগদৌ শরুক পোফম য়েংলগা খরা খাকহৌবদুনা ফবা)

২৬৪। অপঙবনা তাকথোকই, অশিঙবনা তমশিল্লি।
– অপঙবা মীদি অহৈবা শারগা তাকথোকই, অশিঙবা মীনা ৱাদি ঙাঙদনা তুমিন্না লৌশিং তানশিল্লি।

খোমজিনবা
ডা. লৈশাংথেম তোন্দোন

লাইরিক্কী উন্নবা

লাইরিক্কী মমিংঃ ‘ক্রিতিসিজম, থিওরী অমসুং থিওরীতিকেল প্রেক্তিস’

অইবা ঃ এম মনি মীতৈ
অফোঙবাঃ কলচরেল রিসার্চ সেন্তর, কাঞ্চিপুর
মমল ঃ লূপা ৩৭০/-

এম মনি মীতৈনা ইবা ‘ক্রিতিসিজম, থিওরী অমসুং থিওরী তিকেল প্রেক্তিস’ হায়বা নৈনবা ৱারেংগী লাইরিক অসি ডিমাইদা লামায় ১৯০ পাল্লি, লাইরিক অসি লময়ানবা প্রিন্টর্স, কোনুং লম্পাক, ইম্ফালদা নম্লগা ফোঙবনি। লাইরিকসিদা নৈনবা ৱারে ১৩ য়াওরি মদুদি ‘অইবগী ৱারোলঃ টেক্স অমসুং ক্রিসিকেল প্রেক্তিস’, ফোকলোর, কলচর অমসুং লিটরেচর’, ‘ফেমিনিজম’, ‘দিকন্সট্রসন অমসুং মাধবী কন্সত্রক্তিব রিডিং’, ‘অফ্রিকান লিটরেচর’, ‘১৬ শুবা ফোকলোর কমেমরতিভ সিলেব্রেসনগী ৱারোল’, ‘ না তাথীবা অহল অমাঃ এন্টি–পোষ্টকলোনিত্রল দিসকোর্সকী অর্থ থিবা’, ‘পোষ্টকলোনিএলিজমঃ থিওরি অমসুং সাহিত্য’, ‘থিংস ফোল অপার্ট নৈনবা অমদি মণিপুরী ত্রান্সলেসন্স’, ‘স্ক্রিম ওফ কন্সিয়সনেস’, ‘ পোষ্টমোদনিজম’, ‘পোষ্টস্ক্রপ্টঃ কলচরেল ষ্টডিজ’ হায়রিবশিংসিনি। নৈনবা ৱারেংশিংসি একজোষ্টিভ ওই। অইবগী নৈনবা ৱারেংশিংসি পারকপদা অমেরিকান অমদি অফ্রিকান লিটরেরী ক্রিতিসিজমগী ওইবা টর্মিত্তনোলোজি, ইডিওলোজি ময়াম লৌশিন্দুনা নৈনবনা মণিপুরী লিটরেরী ক্রিটিসিজমদদি অনৌবা ৱাফম কয়ামরুম থেংনদবা নত্তে। মণিপুরী লিটরেরী ক্রিতিসিজম অসি মোদর্ন পেরিয়দ ফাওবগী তাঙ্কক নৈনবদা মপুং ওইবা চঙশিল্লম্বনি অদুবু নৈনরোয়সিগী লাইরিকসিদদি মণিপুরী নৈনরোলগী ওইবা সাহিত্যদা পোষ্টমোর্নিজম হায়বা অনৌবা সাহিত্য নৈনরোলগী ওইবা মীৎয়েংশিংবু পুশিল্লক্তুনা সাহিত্য নৈনরোলগী য়ুম্ফমসি হেন্না পাকথোক চাউথোকহনবদা কান্নবা কয়া মরুম পীবা ঙম্মী।

লাইরিকসিদা পোপুলর কলচরগী নৈনবগী মীৎয়েং অমা নৈনরোয়না লৌখৎলিবসি মণিপুরী নৈনবা সাহিত্যদদি য়াম্না অনৌবা ৱাফম ওইরি। মসিনা মণিপুরগী ওইবা পোপুলর আর্ট ফোর্মশিং পুম্বা খোমজিন্দুনা নৈনবা য়াবদা নত্তনা মতাইদা মচোয়–মচোয়না চায়থোক্তুনা লৈরিবা পোপুলর আর্ট ফোর্মশিংবু খোমজিন্দুনা নৈনবগী মফম অমা পীবা হায়বা অফবা অমদি মহৈ চানীংঙাই ওইবা থবক অমনি। নৈনরোয়না পোপুলর কলচরগী মীৎয়েংদগী সাহিত্যবু নৈনবগী মতাংদা ইরি – “ অৱাংবা কলচর, অৱাংবা আর্ট অমসুংমরু চাউনা লৈরবা সাহিত্যগী জোনর কয়াদুবু নাকন্দা ইম্থোক্তুনা থম্লগা মতাইদা অনেম্বা মখলগী কলচরেল ফোর্মনি হায়না লৌনরিবা অদুম্নদি ওইরগা মদুবু খোইদাবা, পাম্নবা মীগী মশীংদি য়াম্না য়াম্বা কলচর অদুগী মনুংদা লৈরিবা হিংলিবা, চৎনরিবা পুন্সিগী হিংবগী মথেল ওইনা মীয়াম্না উরিবা পোৎলমশিং অমদি প্রেক্তিষ্ট অদুদা ৱাখল মীৎয়েং থমদুনা ইবা, নৈনবনা কলচরেল ষ্টডিজগী নুংগী ওইবা ৱাখলনি। মসিগী মনুংদা কলচরেল ফেনোমেনন ওইবা পোপুরফিক্সন, নুংশি–নুংওনদা য়ুম্ফম ওইবা ৱারীশিং মেডিয়াদা ফোঙলিবা কমিক ফিচর, কার্টুল য়েক্তুনা মতম মতমগী থৌদোক–ৱাথোকশিংবু ৱাহৈ খরদনা অর্থ য়াম্না লৈনা ফোঙদোক্লিবা,... এডভর্টাইজগী মচাকশিং, ফিল্ম, টেলিভিজনগী, রেডিওগী, সোপ ওপেরাশিং, শান্নপোৎ মখলশিং, ফোটো ষ্টুডিও রোক অমসুং রেপগী ম্যুজিক অসিনচিংবা লোয়না চিংই।” মহাক্কী নৈনবগী থবক অসিদা পোষ্টমোদর্ন পেরিয়দকী সাহিত্য নৈনবগী থিওরিশিং পেষ্টিকলোনিত্রল, ফেমিনিজম, দিকনষ্ট্রক্সন অসিনচিংবশিংবু নৈনরি। ইফ্রো আফ্রিকান নোভেলিষ্ট চিনুৱা অচেবেনা ইবা, ভিলেজ নে–নোভেল হায়না কৌনবা ‘থিংস ফোল এপার্ট ’নৈনবগী শরুকসু য়াওরি। নৈনবা ৱারেংগী লাইরিকসি থোইদোক্লা শীংথানিংঙাইনি।

আর জে মীতৈ